# ঈশ্বরবু নুংঙাইহন্দবা থাজবা অমসুং চৎনবীশিং

***করম্বা মখলগী থাজবা অমসুং চৎনবীশিং লাল্লি? (১)***
***খৃষ্টিয়ানশিংনা ঈশ্বর অসি ট্রিনিটিনি হায়না থাজগদ্রা? (২)***
***করিগীদমক অশেংবা খৃষ্টিয়ানশিংনা খৃষ্টমাস, ইস্টর অমসুং মপোক নুমিৎশিং পালন তৌরোইদবনো? (৩,৪)***
***অশিবনা অহিংববু অমাঙ অতা থোকহন্বা ঙমব্রা? (৫) যীশু ক্রোস্তা শিখিব্রা? (৬)***
***ঈশ্বরবু পেলহন্বা হায়বসি কয়ামুক মরু ওই? (৭)***


**ঈশ্বর ট্রিনিটি নত্তে**

১. থাজবা অমসুং চৎনবী পুম্নমক ফত্তবদি নত্তে। তৌইগুম্বসুং মখোয়শিংদু চুমদবা ধর্ম্মদগী লাকপা নত্ত্রগা বাইবলনা তম্বিবশিংদুগী মায়োক্তা ওইরবদি ঈশ্বরনা য়াদে।—মাথি ১৫:৬.

২. *ট্রি নিটি:* যিহোবা অসি ট্রি নিটিরা -ঈশ্বর অমদা মীশক অহুম্না পুন্বা? নত্তে! যিহোবা, মপা অদুদি “অমত্তা ঙায়রবা অচুম্বা ঈশ্বর” অদুনি। (য়োহন ১৭:৩; মার্ক ১২:২৯) যীশুদি মহাক্কী অহান্বা পোকচবা মচানুপানি অমসুং মহাক্না ঈশ্বরগী মখা পোন্না লৈ। (১ কোরিন্থীয় ১১:৩) মপানা মচানুপাদগী হেন্না চাউই। (য়োহন ১৪:২৮) অশেংবা আত্মা অদুদি মীশক অমা নত্তে; মসি ঈশ্বরগী থবক তৌবা ঙম্বা শক্তি অদুবুনি।—মৈহৌরোন ১:২; পাখোনচৎপশিংগী থবক ২:১৮.

৩. *খৃষ্টমাস অমসুং ঈস্টর:* যীশু দিসেম্বরগী তাং ২৫দা পোকখিদে। মহাক অসি যাউশেন্বশিংনা মখোয়গী য়াউ শঙ্গুবু অহিং লম্হাংদা থম্নবা, ওক্তোবরগী তাং ১ অদুরাইগী চহিগী মতম অমদা পোকখিবনি। (লুক ২:৮-১২) যীশুনা খৃষ্টিয়ানশিংবু কৈদৌঙৈদসু মহাক্কী মপোক নুমিৎ পালন তৌনবা য়াথং পীরমদে। অহোয়নদুম, মহাক্কী শেবকশিংবু মহাক্না শিখিবা অদুগী নীংশিং পালন তৌনবা নত্ত্রগা নীংশিংননবা হায়রমই। (লুক ২২:১৯, ২০) খৃষ্টমাস অমসুং মসিগী চৎনবীশিংশি থায়নগী চুমদবা ধর্ম্মশিংদগী লাকপনি। ঈষ্টরগী চৎনবীদা য়েরুম অমসুং থেব শীজিন্নরিবা অদুসু মদু মঙাই। ঙল্লিঙৈ মতমগী খৃষ্টিয়ানশিংনা খৃষ্টমাস নত্ত্রগা ঈষ্টর পালন তৌরমদে, অদুগুমদুনা ঙসি অচুম্বা খৃষ্টিয়ানশিংনসু তৌদে।

৪. *মপোক নুমিৎশিং:* বাইবলদা পল্লম্বা মপোক নুমিৎ পালন তৌবগী শুপ্নগী থৌদোক অনিখক্তু যিহোবা নীংদবা মীওইশিংনা তৌরম্বনি। (মৈহৌরোন ৪০:২০-২২;

মার্ক ৬:২১, ২২, ২৪-২৭) ওল্লিঙৈ মতমদা লৈরম্বা খৃষ্টিয়ানশিংনা মপোক নুমিৎশিং পালন তৌরমদে। মপোক নুমিৎ পালন তৌবগী চৎনবী অসি থায়নগী চুমদবা ধর্ম্মশিংদগী লাকই। অচুম্বা খৃষ্টিয়ানশিংনা চহিগী অতৈ অতোপ্পা মতমশিংদা খুদোল পোৎ পীনদুনা পুন্না হরাও তয়াম্বা ফোংদোকনৈ।

৫. *অশিববু কিবা:* অশিবনা করিগুম্বা অমত্তা তৌবা নত্তগা খঙবা ঙমদে। ঐখোয়না মখোয়বু মতেং পাংবা ঙমদে অমসুং মখোয়না ঐখোয়বু অমাঙ অতা থোকহন্বা ঙমদে। (লাইশোন ঈশৈ ১৪৬:৪; পাওশন্দোকপা ৯:৫, ১০) থরায় শিবা নাই; শিরবা মতুংদা মসিনা অমুক হিংলগা লৈতে। (য়েহেজকেল ১৮:৪) করিগুম্বা মতমদা ভুত কৌবা ফত্তবা স্বর্গদুতশিংনা অশিবগী আত্মাশিং শাশিন্নৈ। অশিববু লাৎপা নত্তগা কীবগা মরি লৈনবা চৎনবী পুন্মমক অরান্বনি।—য়সাইয়া ৮:১৯.

৬. *ক্রোস:* যীশু ক্রোস্তা শিখিদে। মহাক চৈশাং নত্তগা উচুক অমগী মথক্তা শিখি। অয়াম্বা বাইবলদা “ক্রোস” হায়দুনা রাহথোক্লিবা গ্রীক্কী ৱাহৈ অদুগী অর্থদি শুম্নগী উ মপুম অমখক্তবু হায়বনি। ক্রোসকী খুদম অসি থায়নগী চুমদবা ধর্ম্মশিংদগী লাকপনি। ওল্লিঙৈ মতমদা লৈরম্বা খৃষ্টিয়ানশিংনা ক্রোস অসি শীজিন্নরমদে নত্তগা লাৎলমদে। মরম অদুনা নহাক্না ক্রোস অসি লাইনিং লাইশোন্দা শীজিন্নবা চুমগনি হায়দুনা খনব্রা?—অনিশুবা ৱায়েনলোন ৭:২৬; ১ কোরিন্থীয় ১০:১৪.

৭. অসিগুম্বা থাজবা অমদি চৎনবী খরসি থাদোকপা য়াম্না লুনা থোকপা য়াই। মরি মতা অমসুং মরুপ মপাংশিংনা নহাক্কী থাজবশিং হোঙদননবা প্রমানগা লোয়ননা থেম্লকপা য়াই। তৌইগুম্বসুং ঈশ্বরবু পেলহন্বা হায়বসিনা মীবু পেলহন্বদগী হেন্না মরু ওই।—পাওরৌ ২৯:২৫; মাথি ১০:৩৬, ৩৭.



***খৃষ্টমাস অমসুং ঈষ্টর থায়নগী চুমদবা ধর্ম্মশিংদগী লাকপনি***



***অশিবশিংবু লাৎকদবা নত্তগা কীগদবগী মরম লৈতে***